হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, ওগষ্ট ০৩, ২০২০, ইম্ফাল

৪৪শুবা চহী, ১২৯শুবা মশীং

# লৈকায়-লৈকায়দা শম্বল খাজিন্নরকপা

## মফম কয়াদা শম্বল খাজিন্নবনা কোভিদ-১৯ ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিব্রা?

মালেমগী মফম শীনবা থুংনা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ শন্দোরকপদগী হৌজিক মীয়ামগী পূক্নিং-ৱাখলদা লৈতাদবা অমসুং মিপাইবগী মওং অমা উবা ফংলি। খুদোংথিনীংঙাই ওইরবা লায়না-লাইচৎ অসি লাকশিন্নবগী পান্দমদা লৈঙাক্লা কমপ্লিট লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা থমখিবদগী ইসেন্সিয়ল সর্ভিসতা লৈবা মীওই খরখক নত্তনা মীওই অয়াম্বা ময়ূম-ময়ূমদগী মপান থোক্নদনা লৈরি। মশা-মশাগী থবক মফমদা চৎতুনা নোংমগী শিন্থা পাংলুগদবা মীওই কয়া ময়ূম-ময়ূমদগী হেন্দোক্তনা লৈরবনিনা নুমিৎ চুপ্পা টেলিভিজন য়েংবা, ওনলাইন গেম শান্নবা অমসুং ভিদিও চেটিং তৌবনা মহৌশাগী ওইবা থৌওংদা চাউনা অহোংবা লাক্লে। মীয়াম্না তূম্বা-চাবগী মওং-মতৌদসু চাউনা অকায়বা থোকহল্লক্লে। কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌখিবদগী হৌজিক ফাওবদা মীওই কয়ানা তূম্বা য়াদবগী মতাংদা টেলিফোন কোল তৌদুনা মতেং লৌনবা হোৎনবা থেংনরি। হীরম অসিগী মতাংদা নেসনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেন্টেল হেল্থ এন্দ ন্যুরো সাইন্সেস (নিমহান্স) কী ন্যুরোফিসিওলোজিষ্ট অমনা হায়খি মদুদি তুংগী পুন্সিদা করি থোক্লরগদগে খনবদা মীওই অয়াম্বা মতম চানা তূম্বা য়াদবগা লোয়ননা পূক্নিং-ৱাখলগী লায়না পোক্লক্লে। ৱেকফিট দোট কোনা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা চথখিবা সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়, কোভিদ-১৯গী লাইচৎনা মরম ওইরগা নুংনাংবা পোকপদগী মীওই অয়াম্বা মপূং ফানা তূম্বা য়াদ্রে। মীওই অয়াম্বা তূম্বা য়াদবগী অৱাবা মায়োক্নরবসু কনাগুম্বা মীওই খরদি কা হেন্না অমসুং মতম শাংনা তূম্বা য়াওরি। তূম্বা-চাবা মতম নাইরক্তবা অমসুং পূক্নিং লাংতক্নবগী চাং ৱাংখৎলকপা মরম্না মীওই অয়াম্বা ৱাখল খনবগী মওংদা চাউনা অহোংবা লাক্লে। হীরম অসিগী মতাংদা মেন্টেল হেল্থ এক্সপর্টশিংনা হায়, কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবা হোৎনববুদি পূক্নিং-ৱাখলগী লায়না লাকশিন্নবা হোৎনবনা মরু ওইবা হেল্লক্লে। পূক্নিং-ৱাখল লাংতক্নবা হায়বসিনা হকচাংগী কয়াৎ পূম্নমক মথৌ তৌবগী মওংদা অহোংবা লাকহন্দুনা ইম্মুন সিষ্টম শোন্থহল্লকপা য়াই হায়রি।

চৈরকসিদা হৌজিক মণিপুরগী মফম কয়াদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ লাকশিন্নবনি হায়দুনা লৈকায়-লৈকায়দা শম্বল খাজিন্দুনা মীতোপ চঙহন্দবগী থৌওং অমা চত্থরকপা থেংনরি। হৌখিবা জুলাই ২৯দা অহানবা ওইনা মণিপুরদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরবা মীওই অমা শিখ্রবা মতুংদা মীয়ামগী পূক্নিংদা মিপাইবগী চাং ৱাংখৎলক্লি। মার্চ ২৫দগী হৌনা ইন্দিয়াগী মফম শীনবা থুংনা লোকদাউন তৌদুনা লাকখ্রবসু মীওই কয়া অকিবা লৈতনা চৎথোক চৎশিন তৌদুনা লাকখি। পুলিসনা অথিংবা ফনা পীদুনা ফাইন খোমগৎলবসু মীওই কয়া লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ুগী অথিংবা থুগাইদুনা লম্বীদা থোক্নরকপা উখি। হন্দক নোংমা নীনিসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবা মীওই মথং-মথং শিরকপদগী হায়নরুবা তৌদনা লম্বীদা মী থোক্নরকপগী চাং হন্থরকখিবনি। হৌজিক-হোরেল লাকশিনবা ঙমগনি হায়বগী মমি উদ্রিবা কোভিদ-১৯গী লাইচৎ অসি খুদোংথিনীংঙাই ওইবা থাক য়ৌনা শন্দোরক্লে হায়বা য়াই। অতোপ্পা ষ্টেট নৎত্রগা মপান লৈবাক্তা চৎলুবগী হিষ্ট্রি লৈতবা মীওই কয়া কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরকপা মরম্না লাইচৎ অসি কম্যুনিতি ট্রান্সমিসনগী থাক য়ৌনা শন্দোরক্লে হায়না মীওই অয়াম্বনা থাজনরি। মদুমক্না মরম ওইরগা লৈকায়-লৈকায়দা শম্বল খাজিন্নবগী থৌওং চত্থরকপনি হায়বা য়াই। হীরম অসিগী মতাংদা অখঙ-অহৈশিংনা হায়রিবদি লৈকায়-লৈকায় শম্বল খাজিন্নবা অমসুং মীয়ামগী চৎথোক-চৎশিন্দা অথিংবা পীবনা করিগুম্বা হীরম অমত্তদা কান্নবা ফংলোই হায়বসিনি। লৈকায়দা মীতোপ চঙহন্দ্রগা লাইচৎ অসি থিংবা ঙমগদবা নত্তে হায়না পল্লদুনা অখঙ-অহৈশিংনা হায়, লৈঙাক্লা লোকদাউন অমসুং কর্ফিয়ু লাউথোকখ্রবনিনা অথু-অকায়গী তঙাইফদবা নত্তনা কনাগুম্বা মীওই অমত্তা লম্বীদা থোক্নরক্কদবা লৈতে। মসিগীসু মথক্তা মীপূম খুদিংমক পুকচেল খোইজেল তিন্ননা অমগা-অমগা মতেং পাংনদুনা কোভিদ-১৯ লাকশিন্নবা হোৎনগদবা তানফম অসিদা লৈকায়-লৈকায় শম্বল খাজিন্নদুনা মীওইবা মশেল য়েংথিননবা থৌরাং লৌখৎপা চুমদে হায়রি। শম্বল খাজিন্দুনা অথু-অকায়গী অচৎ-অওক তৌবশিংদা অথিংবা পীবগী মহুত্তা মীপূম খুদিংমক ফেস মাস্ক উপ্পগা লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিংগী কাঙলোন ঙাকপা অমসুং মতম মতমগী লৈঙাক্লা শেম্লকপা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর ঙাকপনা হেন্না অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি খল্লি।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### শিগদৌরিব্রা নৎত্রগা হিংগদৌরিব্রা?

**ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,**

মণিপুরগী মীয়াম লায়রবগা ইনাকখুনবগা য়েংনবদা লায়রবনা হেনবা ফুরুপনি। লম্বী সরক্কী মপান্দা চেক্কী য়ূম, দুকান পরেং শারগা, জীপ, কার, গাড়ী মচা খরা লম্বীদা চৎলগা ইনাক খুনবা, শেল পায়বা য়াম্না লৈবা লৈবাক ওইরবোই নীংনবনি। মমাঙঙৈ চহী ৩০গী মমাঙদা লৈরম্বা ফীভমগা য়েংনরুবদবুদি য়াম্না হেন্না ফগৎলে। ফগৎলে হায়রিবা মফম খরা ইম্ফাল এরিয়াগী মফম হায়জবা তারে। মফম অসিদি ইম্ফালদগী খরা হাইথবা লম কয়াদগী খরা খরা মচিন তুমখৎলকপা ময়াম হোংগৎলগা লৈরবদগী খরা হেন্না ফবা মানবগী ৱানি। ইম্ফাল ময়োলদগী লৌরগা কিলোমিটর ১০গী ৱাংমদদি থোইদোক্লা ফগৎপগী মমি তাদ্রি।

মণিপুরদা ফীভম ফগৎলিবশিং অসি গভর্ণমেন্ট সর্ভিস তৌবগা লোয়ননা হোৎনবা য়াম্না কনবা কাঙবু অমা, থিকা তৌবা হৈবা কাঙবু অমা, মখল কয়াগী করবার তৌবা হৈবা কাঙবু অমা, মপান লমদা চৎতুনা সেন্ট্রেল সর্ভিস নৎত্রগা মীনা খঙনদবা ব্লেক করবার তৌবা কাঙবু অমা হায়রিবা মথক্তা পঞ্জখ্রিবা থবকশিং অসিদি মীপূম খুদিংনা তৌবা য়াবা নত্তে। মদাও য়াবা, খরা হৈথোই শিংথোইবা মীশিংনা তৌনবা থবকনি। মণিপুরীগী মীওই অয়াম্বনা তৌনবা থবকসি লৌ উবা, ইশ্কোল কোয়বা, ষণ লোয়বা, ঙা য়োকপা, ফিশা-লোনশা, য়ূম শাবা য়াওবা, গাড়ী থৌবা, দুকান ফম্বা, সনা শাবা, প্রাইভেট স্কুলগী ওজা ওইবা, গাড়ী ৱার্কশোপ, তোঙান তোঙানবা বজারশিংদা মখল মখা কয়াগী করবার তৌবা অমদি লাইরিক লাইশু হৈরগা থবক ফংহৌদ্রবা কাঙবুনা য়েন লোয়বা অসিসু য়াম্না পাক শন্না তৌনরকপা শিনফম অমনি।

অদুবু লাইবক থীবদগী চাইনাদগী হৌরকখিবা কোরোনাভাইরসনা মণিপুর য়ৌশিল্লক্তুনা কুমজা ২০২০গী মার্চ ২২দগী ইন্দিয়া পূম্বা লোকদাউন থমদুনা লাক্লি। মণিপুরদা লৈঙাক্কী থবক তৌবা মীগী মশীং লিশীং ৮০গুম্বা ওইরমগনি হায়না পানরি। লৈঙাক্কী থবক ফংহৌদ্রবা মশানা মশাবু থবক পীজরিবা কাঙবুগীদি য়াম্না হেন্না ৱাবা চহী হায়বদু ওইরক্লি। অরাপ্পা খুলশিংদগী পুথোরকপা পোত্থোক খুদিংমক ইম্ফাল বজারদা পুরক্লগা অতোপ্পা মণিপুরগী মফম কয়াদা চাইথোকখিবনি। ইম্ফাল বজারনা থা ৫ রোম থিংজিনখিবসিনা মণিপুরগী মীয়াম অসুক্কী মতিক ৱাবা হায়বদু ওইরবনি। লৈঙাক্কী থবক তৌবা কাঙবুদি খরা শাফরমগনি।

অরোইবদা হায়জনীংবদি য়েনগী থবক তৌজরিবা, হেটচরি তৌজরিবা, শঙ্গোম পুথোক্লিবা, ঙা পুথোক্লিবা, এঞ্জাং-নাপি পুথোক্লিবা, ঈশিং পুথোক্লিবা হায়বদি ইসেন্সিএল কম্মোদিটিজকী মনুং চল্লিবা মীওইশিং অসিগী থবক্তা ক্লব, ওর্গনাইজেসন, পুলিস অমদি মৈরা পায়বীশিংনা মতেং পাংশিন্দুনা পোত্থোক হেন্না পুথোক্নবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু। চাবদা মীপান তাংদনবা হোৎনবদা মতেং পাংবীয়ু, অপনবা পীবীগনু। হৌজিক মণিপুরীশিং শিবা চঙবা অনীগী লংদাইদা লৈরিবনি।

*অদোমগী - এম মোরাম্বা মৈতৈ*

*নিংথেম পুখ্রি মপাল*

# লৌমীশিংগী কাখল

## লৌউ-শিংউগী ৱাহং পাউখুম

পাউখুম পীবিরিবা ঃ

ডা. এম থোইথোই সিংহ

Q. ঐগী ফৌশিংগী মরক-মরক্তা য়াম্না থুনা ৱাংখৎলক্লগা শিবা মরক-মরক্তা য়াওরে। ফৌদিদা চেন্নবা লায়নানি হায়দুনা হান্না হীদাকসু তোৎহৌই। মসিবু হীদাক কাপ্তবদা কয়ামুক য়াম্না মাঙগদগে, য়াম্না তাবসু নৎত্রি।

লৌফমসিদা শঙম অমদা Ferterra কিলো অনীসু চাইখি অদুবু মরক মরক্তা কুরাক তোংবসু উই। চাইখিবা নমিৎ ২০নি মুক্তা ঙাইরি।

- লোংজম ইবোচা, শামুরৌ মখা লৈকায়

☞ বাকানা হায়না খঙনবা লায়নানি। লায়না থোকহল্লিবা কোকফাইদুনা জিবেরেলিক এসিদ শুংবা মতমদা পাম্বীদু য়াম্না থুনা চাওখৎপা অমসুং কোকফাইদুমক্না ফ্যুজেরিক এসিদ শুংবা মতমদা পাম্বীদু কংদুনা শিবা লায়নানি। মরমসিনা লায়না অসিবু অপঙবা চারা (বাকানা) হায়না খঙনৈ। মরূদা হীদাক তোৎপা চুম্মী, মথং চহীদা চুম্না তোৎপীয়ু। মথৌ তারবদি Carbendazim 50% wp গ্রাম ২০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা শঙমদা গ্রাম চাম্মা কাপথোকপীয়ু। পাম্বী অমা অনীখক তাবা ওইরবদি কাপত্রবসু য়াই।

শঙম অমা চাউবা লৌফমদা Ferterra কিলো অনী চাইবা চুম্মী। নুমিৎ ২০নিশুবা হায়বসি হীদাক্তুগী য়াম্না এক্টিভ ওইবা মতমনি। ময়োল চিকপী, মনা কোনশিনবী, মরেকনচিংবা তারোই। অদুবু চাইবা থুংদবা মফমশিংদদি তীলশিংসি তাবসু য়াই। মসি নৎত্রগসু থংনবা লৌফমদগী পাইরকপা, তোংবদা ঙাইরিবা ওইরম্বসু য়াই। কূপ্না য়েংবীরিবদুবু থাগৎচরি।

Q. লায়না অমসুং তীলনা অনীমক্কী অপূনবা হীদাক ফংদবনা তীলগী হীদাক কাপ্লিঙৈ মতমসিদা কোকফাই হীদাক য়ানশিনহৌবা য়াগদ্রা? ঙসি ঙসিমক ঐগী লৌফমদা ইঙেল্লাই চুবী অমসুং অতৈ মখল খরগীদমক Chlorpyriphos 20% কাপলিঙৈসিদা কোকফাইগী হীদাক অমা য়ানশিনহৌগে তৌবনি। কোকফাই লায়নাবুদি তাবা উদ্রি। ঙাকথোক্নবা হীদাক অমত্তা তাকপীরকউ।

- লাইজিংলেম্বী, উমাথেল

☞ কোকফাই হীদাক য়াল্লরোইসি। অদুবু ঐখোয় অয়াম্বনা হীদাক কাপ্পা মতমদা Sticker য়াল্লি। লিটর ১৫ চনবা স্প্রেয়র অমদা Sticker মিলিলিটর মঙাদি হাপ্পী। মতাং অসিদা ফৌগী কোকফাই লায়না ব্রাউন স্পোট, ব্লাষ্ট অমসুং ফৌখোক লাংবী (সিথ ব্লাইট) ঙাকথোকচবা ঙম্বা সিলিকোন বেজ ষ্টিক্কর শীজিন্নবা য়াই। সিলিকোন্না মথক্কী লায়নাশিংবু ঙাকথোকপদা মতেং পাংই। ময়াম্না শীজিন্নরিবা ষ্টিক্করশিং অসিদগী সিলিকোন বেজ ষ্টিক্করনা মমল খরদি হেল্লি। অদুবু য়াম্না কান্নে। কোকফাই লায়নাশিংদু তাবা হৌদ্রিবা মরম্না মসিনা অদুম য়াগনি।

Q. মীগী লৌফমদদি Sava 134 অসি মচা য়াম্না পোকই, ঐগী লৌফমগীদি মচা কয়া পোক্তে। মসিবু সিদ লোত্তা খেন্নবদগী তোঙান-তোঙানবা মফম ওইবদগী ওইগদ্রা করিনা ওইরম্বা য়াবগে?

- ইনাওবী, তেন্থা

☞ ফৌদিদদি খেন্নরম্মোই। মান্নগনি। ফৌ মচা পোকপা ৱাৎপগী মতম ময়ামশিংদুগী মনুংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা অমসুং শোয়দনা ওইরম্বা য়াবা অনীখক্তং থমজগে :

১) ফৌ লিংবদু লুনা নম্বা।

২) ফৌ লিংখ্রবা মতুং লৌফমদা ঈশিং ৱাংনা থম্বা।

মতম অনী অসিগী মনুংদা অমা হেক্তনা ফৌ মচা পোকপা হন্থহল্লি। অনীমক্না ওইরগনা মচা পোকপদা কা হেন্না অকায়বা লৈ।

Q. জুলাই ১৫দা হুনখিবা ফৌনি। হারদি মতম ফংদবদগী হাপহৌদ্রে। ফৌনা মতোনশিং ঙাংশং ঙাংবী অমসুং কংবী লায়নাদু হৌরে। হার হান্না চাইগদ্রা? করি হীদাক কাপকদগে হায়বদসু খঙজনীংই।

- সাইখোম শ্যাম, খাঙবোক পার্ট থ্রী

☞ হীদাক হান্না কাপসি। Speed/Chlorpyriphos 20% মিলিলিটর ৩০ ঈশিং লিটর ১৫ খুদিংদা য়াল্লগা লৌরি য়াওনা কাপথোকসি। শঙমদা হীদাক মিলিলিটর ২০০ চংগনি। নুমিৎ মরিনিগী মতুংদা হারদু চাইবীরো।

Q. লৌফমদা হীদাক কাপ্পগা, চাইবগসি করম্বনা হেন্না ফবগে?

- লাইশ্রম চাওবা, লমশাং

☞ মফম মতমগী মখা পোল্লি।

১) লায়না তীলনাদুনা য়াম্না কনবা মতমদদি কাপ্পনা কান্নে। পুং খরগী মনুংদা কান্নবা পী।

২) নোং চিফেৎ-চিফেৎ তাবা মতমদদি চাইবনা হেন্না কান্নে। নোংনা ফৌনাদা পল্লিবা হীদাক থাদোকপগী খুদোংথীবা লৈররোই।

৩) চাইরিবা হীদাক্কী কান্নবা খুদক্তা ফংদে। নুমিৎ ২/৩নি চঙই। অদুবু পাম্বীদা তুং কোইনা লৈ।

৪) লৈবাক্তা হীদাক চাইবনা পাম্বীগী মথক থংবা শরুক্তা লৈরিবা তীলশিংবু ফাদুনা চাবা, লৌমীবু কান্নবা পীরিবা তীলশিংবুদি হাত্তোক্তে।

মরমশিং অসি লৈবনা হীদাক কাপ্পনা ফব্রা নৎত্রগা চাইবনা ফব্রা হায়বদু মফম মতমগী মতুংইন্না লেপ্পী।

*এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ*

**[ফার্মরশিংনা লৌউ-শিংউগা মরী লৈননা, ঙা, শা-ষণ য়োকপনচিংবগা মরী লৈনবা ৱাহংশিং চিঠি ইরগা থাবীরকউ।]**

**চিঠি থারকফম**

**এগ্রিকলচরেল সেক্সন - হুইয়েন লানপাউ**

**সেগা রোদ থৌদা ভাবোক লৈকায় ইম্ফাল, ৭৯৫০০১**

**নৎত্রগা**

**অদোম্না লৌউ শিংউবা, শা-ষণগা মরী লৈনবশিংগী মতাংদা খঙবিনিংবা লৈরবদি ঈ-মেল *hueiyenagri@gmail.com* দা চিঠি থাবিরক্তুনা হংবিরকপা য়াগনি।**

# তৎন-থানা য়াদ্রবা মোরোক কাঙলোন চুম্না থাবা

**- এস সুমঙ্গল -**

মোরোক্কী চন্নফমদি মীপূম খুদিংমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুরদা পুথোকচবা মোরোক্না মণিপুরগী কোন্নবদি নত্তে। দুকান্দা য়োল্লিবা অঙাংবা মোরোক খুদিংমক মপান্দগী পুশিল্লকপা ঙাক্তনি হায়বা য়াই। মোরোক অতেকপসু অদু মঙাই। মোরোক অশাবা এঞ্জাং পাম্বা মণিপুরদা মোরোক্কী মরু ওইবসিদি মোরোক ৱাৎলবা মতমদতা খঙলক্কনি। মোরোক অতেকপদা ভিটামিন সী মতিক চানা য়াওই। এঞ্জাংগী মহাও হেনগৎহল্লি। মণিপুরগী মফম খরদা মোরোক অতেকপগা লোয়ননা মোরোক অঙাংবা য়োন্দুনা শেন্দাল লম্বী ওইনবা থাবা অসি য়াইরিপোক, ৱাবগাই অমদি থংনবা মফম খরদি থেংনৈ। অদুবু অয়াম্বনা থানরিবসিদি মশাগী চহী অমগী অতেকপা অমগী অতেকপা অমদি অকংবা চাবা কোন্ননবা নৎত্রগা খরা মখৈ চাননবা থাবা নত্তনা শেন্দাল লম্বী ওইনা থাবদি য়াম্নমক ৱাৎলি। ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী য়াম্না মোরোক পুথোক্লিবা লমশিংদি অন্ধ্র প্রদেশ, কর্ণাটাকা, টামিল নাদু, মহারাষ্ট্র, মধ্য প্রদেশ, পঞ্জাব, রাজস্থান অমসুং বিহারনি।

মোরোক মতম নাইদবা পাম্বী ওইনা লৌবা য়াই। য়াম্না ঈংবা নৎত্রগা শাবা মতমদা মোরোক পানবা ৱাৎলি অদুবু পাম্বীনা শিবা মখৈ মাঙহনবদি ঙমদে। পাম্বী অসি চহী অনী অহুম নিংথিনা মফম অমদা অদুমক হৌদুনা মতম চূপ্পদা পানবা ঙম্বা পাম্বীনি। নুমিৎ থোকপগী অমদি অহিংগী মতম তেনবা, শাংবদা মপান শাদুনা পানবা ঙম্বা, ঙমদবগী ৱাফম লৈতে। হায়বদি পাম্বী অসি দে ন্যুত্রেল ওইবা পাম্বীনি। মথক্তা থমজখিবগুম থর্মো সেন্সিটিভ খরদি ওইবা পাম্বীসু ওই।



**মোরোক মখল :** মণিপুরদা থানবা মৈতৈ মোরোক হায়নরিবা মখল অসি মীয়াম্নসু পাম্বা, মোরোক অতেকপা চাবগী মনম নুংশিনা হাওবনা ঐখোয়গী লমদমগী মীওইশিংনা য়াম্না পাম্নবা মখল ওই। অকংবা ওইনসু মৈখুদা নিংথিনা কংহল্লবা মোরোক অতৈ মোরোক্তগী মহাও য়াম্না হেল্লি হায়নৈ। মণিপুরদা হৌজবা মখলশিংদা থা অনীমখায় চাবী, নোংদোল য়েংবী, উচি মোরোক/মোইরাং মোরোক/মোরোক মশিংখা হায়নরিবা মোরোকশিং য়াম্না মমিং লৈবা মোরোকনি হায়বা য়াই। মোরোক মশিংখাদসু মখল কয়া অমা অমুক লৈখ্রে হায়বা য়াই। মসি চীংগী লমদম চুড়াচান্দপুরদা য়াম্না থানবা মোরোক মখলনি। মখোয় অসি তম্পাক্কী লমদমদসু অদুমক নিংথিনা হৌবা ঙম্মী। পাম্বী অমা হৌবদা ইমুং অমগী মোরোক শুকলৈ লৈদ্রবসু য়াই হায়নরিবনি। অতোপ্পা মপান লমদগী পুশিল্লকপা ইমপ্রুভ মখল কয়া অমসু হৌজিক্তি মণিপুরদা য়াম্না থানরে। খুদম ওইনা pusa jwala, pusa sadabahar CO-1, CO-2 অসিনচিংবা পনবা য়াই। প্রাইভেট কম্পেনিশিংনা পুথোকপা মখল কয়াগী অমসু মণিপুরদা থানবা থেংনরে।

মোরোক্কী শাথীরবা লায়নাশিংদা খাংবা ঙম্বা মখল খরা পনবা তারগদি ভাইরসকী লায়না CMV, TMV, TLCV দা খাংবা ঙম্বা pusa sadabahar Pant C1 পনবা য়াই। শাথীরবা লায়না bacterial wilta খাংবা ঙম্বা মখলনা ujala, anugraha পনবা য়াই। তিন্নাশিংদা খাংবা ঙম্বা মখল খরদি thripsta -pusa jwala, Pant C, pusa sadabahar পনবা য়াই। দিমান্দগী মতুংইন্না মখোয়শিং অসি মণিপুরদা ফংনবা শীনবীবা য়াই।

**ঈশিং-নুংশিৎ, অঙৈং-অশা :** মণিপুরগী অঙৈং-অশাদসু মোরোক নিংথিনা চানৈ। চপ চাবা অঙৈং অশাদি 20-30⁰ Cনি।

**লৈবাক লৈহাও :** ফোলি তাবা ওর্গানিক মেট্টর য়াম্না য়াওবা ঈশিং তুংশিনদবা মফমনা খ্বাইদগী চানৈ। অশিন অয়াক্কী চাংদি pH 6.5-7.5 নি।

**মরূ হুনবা অমসুং লিংথোকপা :** মোরোক সেপ্টেম্বর, ওক্টোবরদা মরূ হুন্নে অদুবু মতমসিদা হুনবা মোরোক অঙৈংবা খাংদুনা মতম খরা চাউজন থিদুনা লৈগল্লি, মতম শাংনা মাঙদুনা মফম কন্দুনা লৈ। মতম অসিদা মফমদুদা অতোপ্পা মতম তেনবা পোত্থোক অমা লোকহৌবনা হেন্না ফৈ। মরম অদুনা অঙৈংবা মতম দিসেম্বর, জন্যুৱারীদা মোরোক মরূ হৌনবা অমুবা পোলিথিননা কুপ্তুনা হুল্লগা ফেব্রুৱারী, মার্চতা লিংথোকপনা হেন্না ফৈ। সেপ্টেম্বর, ওক্টোবরদা হুন্দুনা থাবা মোরোক্না চপ মান্ননা পোত্থোক ফংবা ঙম্মী। মোরোক মরূ অহিং অমা অনী ঈশিংদা তিংথোক্লগা নোংমা নীনি ওল্লগা নিংথিনা শেম শারবা নুংশিৎ-নুংশা মরাং কায়না ফংবা ফৈদোমদা পরেং নাইনা হুনবনা খ্বাইদগী ফৈ। মরূ হুন্নবা ত্রেদা হুনবা ঙল্লবদি খ্বাইদগী হেন্না ফরে। থা ফারবা নৎত্রগা খরা হেল্লবা মোরোক চারানা অমমমতা ওইনা লিংবীগনি। কনাগুম্বনা/অয়াম্বনা কাংখুল অমদা পাম্বী অনী নৎত্রগা অহুম/মরি থাজিনবা য়াওই। মসি মোরোক চারা হেন্না চঙনবা অদুগা মোরোক্কী চাথোক হন্থনবা মচাক ওইহল্লি।

**অরন-অকুং :** মখল অমগা অমগা খেন্নে। মসা ফন্দোক্কনবা ওইরগনা খরা লন্না, চপ য়ুংনা হৌবা মসা লোঙ্গন্দবা ওইরগনা খরা কুংনা লীংবা ফৈ। অৱাংবা পাম্বী মখলশিংনা খরা লন্না অদুগা অনেম্বা পাম্বীশিংনা খরা কুংনা থাবা ফৈ। চাংচৎতা 30 x 45; 45 x 60 অমসুং 75 x75 cm অসুম্না থম্বা য়াই ।

**পাম্বীগী মচিঞ্জাক পীবা :** অফংবা ষন্থি ষণয়ুংগী, য়েন্থিগী, ওকথিগী নিংথিনা পত্থরবা হার নৎত্রগা মনা-মশিংদগী পত্থরবা কম্পোষ্টকী হার ষণ গাড়ী মপোৎ ১০ শঙম অমগী চাংদা হাপ্পীরগদি খূৎশেমগী কেমিকেল হার হন্থহনবগা লোয়ননা পাম্বীগী শাহৌ হেন্না ফহল্লি, তুং কোয়না মফম অদু লৈহাও লৈহল্লি লোয়ননা মাইক্রো ন্যুত্রিএন্ট ৱাৎহন্দবা য়াই। লোয়ননা য়ুরিয়া কিলো ৫০; সুপর কিলো ৪০; পোটাশ কিলো ১৬ শঙম অমদা হাপ্পীগনি। য়ুরিয়া শরুক মরি থোকপগী অমা, সুপর, পোটাশ পূন্না পাম্বী থাদ্রিঙৈ অরোইবা খাওবদা হাপ্পীহৌগনি। লেমহৌবা য়ুরিয়া শরুক অহুম থোক্লগা থা থা কান্নরগা হাপ্পীগনি।

**ঈশিং চনবা :** হেক লিংথোকপগা পাম্বীনা হৌদ্রিফাওবা হৌননবা ঈশিং চনবীগনি। লৈবাক্তা ঈনিলগী চাং য়েংলগা অমদি নুংশা শাবা শাদবগা লোয়ননা নুমিৎ ৭নি-১০নি কান্নরগা চনবীগনি।

**হাবেংবা :** মোরোক মখোঙ তোয়না শোল্লিমখৈ খুহেক তোই হায়নবা লৈ। মসিনা নাপী হৌহল্লোই লোয়ননা মরাদা নুংশিৎ ফংহল্লি, পাম্বী হোম-হোম চাউহল্লি।

**লায়না তীলনা :** মতম মতমগী তারকপা লায়না-তীলনা অখঙ অহৈ তানদুনা মতম চানা ঙাকথোকসি।

অসুম্না মরু ওইরবা, থানবা য়াদ্রবা পাম্বী অসি থাদুনা শেন্দোং তানবসু য়াগনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।